## অনীশুবা এটেক চথনবা বোম্মরশিংনা থৌরাংলম্লে

কলম্বো, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
শ্রীলঙ্কাদা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিলগী ইষ্টর সন্দে দদা বোম্মিং এটেক কয়া চৰ্চশিং অমসুং হোটেলশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা টেররিষ্ট কাঙবুনা অনীশুবা এটেক অমা চথনবসু থৌরাংলম্লে হায়না পুলিসনা মখোয়গী চহী ১ চুপ্পা চথরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী অপদেট অমা পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

অনীশুবা এটেক অমা থৌরাংলম্বগী ৱাফম অসি হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ২১গী শাথিরবা বোম্মিংশিং অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি)না ফোঙদোরকখিবনি।

## গ্রেটর নোইদা সোসাইটি সীল তৌশিনখ্রে

গ্রেটর নোইদা, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
মীওই অমা চাংয়েংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা গ্রেটর নোইদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না টেক জোন ৪গী এপার্টমেন্ট অমা সীল তৌশিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী ওর্দর অমনা হায়খি মদুদি, চেরি কাউন্টি সোসাইটিগী মীওই অমা পোজিটিভ ওইরম্বদগী মখা তানা ভাইরস শন্দোকহন্দনবা সোসাইটি অদু সীল তৌশিল্লে।

# হোং কোংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস থেংনখিদ্রে, সিঙ্গাপোরগী কেস মশিং ৱাংখৎখ্রে



হোং কোং, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
হৌখিবা মার্চকী অহৌবা শরুক্তগী অহানবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোং কোংদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনখিদ্রে হায়না সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, মখোয়না মীয়ামদা হায়জিন অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎনবীশিং নীংথিনা ঙাক্নবা অমসুং তঙাইফদবা লৈত্রবদি চৎথোক-চৎশিন তৌদনবসু খঙহনখ্রে।

মালেমগী অতৈ মফমশিংদা থোকপগুম শাথিরবা কোভিদ-১৯ লায়নাগী কেস কা হেনবা মওংদা হেনগৎপগী ফিভম লৈহন্দবা ঙল্লবা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিদা হৌজিক ফাওবা কনফর্ম তৌবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ কেস পুন্না ১,০২৫ শুবদা ঙাইরি।

হৌখিবা জন্যুৱারিদা শাথিরবা লাইচৎ অসি হৌখিবদগী মেনলেন্দ চাইনাগা হীরম কয়াদা থবক তৌমিন্নরিবা সিটি অসিদা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিগী কেস মশিং কা হেন্না হেনগৎহন্দ্রিবসি সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংগী মাই পাকপা অমনি হায়না লৌনৈ।

হৌজিক ফাওবদা সিটি অসিদা লায়না অসিদগী মীওই ৪ লৈখিদ্রে। মমাংদা সিটি অসিদা কোরোনাভাইরস কেস রেকোর্দ তৌখিদবা নুমিৎতি হৌখিবা মার্চ ৫নি। হোং কোংদা লৈরিবা মীওই পুন্নমক মাস্ক শীজিন্নে হায়বা য়াই। সিটি অসিগী ওফিস বিল্ডিংশিং, কর্ম্মসিএল সেন্টরশিং অমসুং পব্লিক ইন্সটিট্যুটশিং লেপ্তুনা তেম্পরেচর চেক্কিং চথবগা লোয়ননা সেনিটাইজর দিস্পেন্সরশিং শেল তীংহন্দনা পাক শন্না ফংহল্লি। ফোরেনরশিং এয়রপোর্টতা মতম চুপ্পগী ওইনা থুংহন্দনবা ওর্দর থোকখিবগা লোয়ননা গেম সেন্টরশিং, জিমশিং, সিনেমা অমদি অতৈ পব্লিক ইন্টরটেমেন্ট খুদিংমক থিংখি।

অমরোমদা, রেকোর্দ ওইবা মওংদা সিঙ্গাপোরদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ১,৪২৬ ইনৌ নৌনা দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা সিটি ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৮,০১৪ য়ৌরে অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ১১ লাইচৎ অসিদা লৈখিদ্রে হায়না সিঙ্গাপোরগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না সিঙ্গাপোরদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন হেনগৎলক্লিবসি মরু ওইনা সিটি অসিদা থবক শুদুনা লৈরিবা মপান্দগী লাকপা শিন্মীশিংগী মরক্তনি। মশিং য়াম্লবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী মরক্তা লায়না য়াম্না থুনা শন্দোরক্লিবসি লাকশিনবগী থবক্তা অশোনবা লৈবদগীনি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# কনাদাদা খুৎলায় পায়বা অমনা মীওই ১৬ হাৎখ্রে



পোর্টাপিক, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
কনাদাগী নোভা স্কোতিয়া প্রোভিন্সতা পুলিসগী ফিজোল শেৎপা নোংমৈ পায়বা মীওই অমনা পুং ১২ চুপ্পা কোয়চৎ চত্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ হাৎখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কনাদাগী এটলান্টিক প্রোভিন্স অদুগী মফম অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ২৩ শুরবী অঙাং লৈরবী আর সী এম পি ওফিসর হৈদি ষ্টেভেন্সন য়াওখি।

রোয়ল কনাদিয়ন মাউন্টেদ পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, দেন্টচরিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌবা মশাগী চহী ৫১ শুরবা গব্রিএল ৱোর্টমেন কৌবা নোংমৈ পায়বা মীওই অদু তাঙ্কক অমদা পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎলগা কোয়চৎ চৎপগী মওং উনখি। মহাক্না মহাক্কী কার অদুসু পুলিস ক্রুজর অমা মান্নবা মওংদা শেমদোক্লমখি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱোর্টমেন শিখিবগা লোয়ননা মখা তানা খুৎলায় পায়বা অসিনা অকিবা পীবা লৈররোই। তৌইগুম্বসুং মহাকপু আর সী এম পি ওফির অদুনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়বা সী টি ভি নেটৱার্ককী রিপোর্টপুদি পুলিসনা কনফর্ম তৌখিদে। আর সী এম পিগী কম্মিস্নর ব্রেন্দালকিনা সী বি সীদা হায়খি মদুদি, খুৎলায় পায়বা অদুনা নোভা স্কোতিয়াগী মফম কয়াদা মীওই কয়াদা নোংমৈনা কাপখি। কাপ্লিবা মশাদা নত্তনা য়ামদ্রবা ভিক্তিম ১৬ পুলিসনা খঙবা ঙমখি। মীহাৎশিং অদু টেররিজমগা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# জহাজ অমা ইথৎ অমদা চৎলুবদগী টাইৱানগী ভাইরস কেস ৱাংখৎখ্রে



টাইপৈ, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
নেভিগী জহাজ অমা পেসিফিক্কী অপীকপা ইথৎশিংনা পুল্লগা শেন্বা পলাও ষ্টেটতা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা টাইৱানগী অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ২২ হেনগৎখ্রে। মীওইশিং অদু জহাজ অদুগী হিরোয়শিংনি হায়রি।

অমরোমদা, পলাওগী ওথোরিটিশিংনদি মফম অদুদা টাইৱানিজ নেভিগী খোঙচৎ অমা লাকখিবদুদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন থোকহন্নবগী মরম ওইরোয় হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টাইৱানগী গর্ভনমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, নেভি পর্সনেল ৭০০ ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লি অমসুং মখোয়দা চাংয়েং চথবদা পুন্না পর্সনেল ২৪ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মখোয়গী মনুংদগী কেদেট অহুম পলাওদা চৎলুবনি।

পেসিফিক্কী ইথৎ লৈবাক অসি টাইৱানগা ওফিসল দেপ্লোমেটিক মরী থম্নরিবা লৈবাক ১৫ খক্কী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসি হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ য়ৌবগী রিপোর্ট লৈত্রিবা মালেমগী লৈবাক খরখক্কী মনুংদা অমসু ওইরিবনি।

টাইৱানগী হেল্থ মিনিষ্টর চেন সী-চুংনা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরসকী কেসশিং অদু মার্চ ১২ দগী ১৫ ফাওবা পলাওদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা জহাজ অহুমগী মনুংদগী অমদা থেংনখিবনি। হিরোয়শিংদা করম্না ইনফেক্সন লাকখিবগে হায়বসি চপ চানা খঙদোকপা ঙম্নবগীদমক্তা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথবগী তঙাইফদবা লৈরি।

হৌজিক ফাওবদা টাইৱাননা য়াম্না ঙন্না লায়না দিটেক্ট তৌবগা লোয়ননা থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখত্তুনা নোভেল কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাই পাকপা ঙল্লি হায়না লৌনরি। য়ুমথংনরিবশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী কেস ৱাংখৎনরকপদগী পলাওনা থা অমগী মমাংদা চেকশিন থৌরাং ওইনা লৈবাক অসিগী বোর্দরশিং থিংজিনখিবনি।

# কোভিদ-১৯না মী শিহনবগী চাং ৱাংবগা এয়র পোল্যুসনগা মরী লৈনৈ



লন্দন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী চাং ৱাংবগা এয়র পোল্যুসনগা মরী লৈনৈ হায়বসি উৎপা অতোপ্পা ষ্টদি অমদা নুংশিত্তা নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা য়াওবগা কোভিদ-১৯না নাবদগী মী শিবগী চাং ৱাংবগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বসি জর্মন রিছার্সরশিংনা খঙবা ঙমখ্রে।

নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ অসি মীওইবগী রেস্পিরেটরি ট্রেক্তা অমাঙ-অতা থোকহনবা নুংশিৎ শেংহন্দবা কেমিকেল কম্পাউন্দ অমনি। মতম কয়াগী মমাংদগী পোৎশক অসিনা মীওইবদা রেস্পিরেটরি অমসুং কার্দিওভাস্কুলর লায়না মখল কয়া থোকহল্লি হায়বসি খঙদুনা লাক্লবনি।

হায়পরটেন্সন হায়বা জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অদুদা এয়রপোল্যুসনগী সেটলাইট দেতাগা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা শিখিবশিংগী এয়র করেন্টশিংগা পুল্লগা য়েংশিনখি। মদুদা মতম চুপ্পগী ওইনা পোল্যুসনগী চাং ৱাংনা লৈবা মফমশিংনা অতৈ মফমশিংদগী হেন্না লায়না অসিনা মী শিহনবা হেল্লি হায়বা খঙবা ঙমখি।

নোভেল কোরোনাভাইরসনা রেস্পিরেটরি ট্রেক্তা শোকহল্লিবা অসিনসু এয়র পোল্যুসন অমসুং কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিবা মীশিংগী মরক্তা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈহল্লি হায়না ষ্টদি অদুগী রিছার্সর ওইরিবা জর্মনিদা বেজ তৌবা মার্টিন লুথর য়ুনিভর্সিটি হেল্লি-ৱিটিনবর্গ (এম এল য়ু)গী দোক্তর য়ারোন ওগেননা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা ষ্টদি অদুদা জিও সাইন্টিষ্ট অসিনা দেতাগী সেট অহুম পুল্লগা নৈনখি। মদুদা আর্ঠকী এয়র পোল্যুসন তত্তনা মোনিটর তৌরিবা য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সিগী সেন্টিনেল ৫ পি সেটলাইটনা ওনবা রিজনেল নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ পোল্যুসনগী লেভেলশিং য়াওরি।

দেতা অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা রিছার্সরশিংনা নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ পোল্যুসনগী চাং ৱাংবা অমসুং মতম শাংনা নুংশিত্তা গ্যেস অসি য়াওবা লমদমশিংগী ওইবা চাওরাকপা অপুনবা শক্তম অমা পুথোকখি।

# কোভিদ-১৯গী কেসশিংগী চাদা ৮০ লাইওং উত্তে : আই সী এম আর



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট চাদা ৮০ লাইওং অমত্তা উত্তবগী ফিভমদা লৈরিবসি নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর)না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস কেস হেনগৎলক্লিঙৈসিদা নোভেল কোরোনাভাইরস পল্লবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংগী চাদা ৮০ দি লাইওং অমত্তা উত্তে হায়বসি খঙলকখিবনি।

আই সী এম আরদা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরিবা ডা. আর গঙ্গাখেদকরনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরসকী কেসশিংগী চাদা ৮০ লাইওং উত্তে। ঐখোয়না খ্বাইদগী ৱারিবসি মীওইশিং অসিদা ভাইরস দিটেক্ট তৌনবা হোৎনবা অসিনি। কন্টেক্টশিং থিদোক্তুনা খঙদোকপা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পান্থৈ লৈতে। ইনিদয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ১৭,০০০ হেনখিবগা ইরোয়ননা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ১,৫৫০ হেনবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী নোভেল কোরোনাভাইরস কেসকী অপুনবা টেলি ১৭,২৬০ হেল্লে। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী অয়ুক্কী অপদেট মতুং ইন্না অপুনবা কেসশিং অসিগী মনুংদগী ১৪,১৭০ হেন্না এক্তিভ কেসশিং লৈরি অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৪০ হেন্না শিখ্রে।

চৈরকসিদা, আই সী এম আরনা এদভাইজরি অমা ইশ্যু তৌখিবগা লোয়ননা কাট্রিজ বেজ নুক্লিক এসিদ এমপ্লিফিকেসন টেষ্ট (সী বি এন এ এ টি) ফেসিলিটি লৈবা গর্ভর্নমেন্ট অমসুং প্রাইভেট লেবশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌখ্রে। সী বি এন এ এ টি অসি মরু ওইনা টি ভি লায়নাগা মরী লৈননা শীজিন্নরবসু ইমর্জেন্সিগী ফিভমদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা শীজিন্ননবা য়ু এসকী এফ দি এনা এপ্রুভ তৌখ্রবনি।

# ষ্টেট মরিগী সিটি ১১ অরুবা ফিভমদা লৈরি : সেন্টর



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
অখন্নবা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুরিবা মধ্য প্রদেশ, মহারাস্ত্র, রাজস্থান অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিটি ১১গী মনুংদা ইন্দোর, মুম্বাই, জয়পুর অমসুং কোলকাতা য়াওরি হায়না সেন্টরনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট ৪ অসিগী সিটিশিং অসিগী মরু ওইবা হোটস্পোট দিষ্ট্রিক্টশিংদা লোকদাওন থুগায়বগী থৌওংশিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ)না ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

অখন্নবা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর সিটি, মহারাস্ত্রগী মুম্বাই অমসুং পুনে, রাজস্থানগী জয়পুর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাতা, হাওরা, মিদিনিপুর ইষ্ট, ২৪ পর্গনাস নোর্থ, দর্জিলিং, কালিমপো অমসুং জলপাইগুরিদা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুরি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা লোকদাওন থুগায়বগী রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তারদুনা অসিগুম্বা ষ্টেটশিং অসিদা সেন্টরগী এক্সপার্টিজ শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

হোটস্পোট দিষ্ট্রিক্টশিং নৎত্রগা হোটস্পোটশিং ওইরকপা য়াবা মফমশিং নৎত্রগা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ পাক শন্না শন্দোরকপা য়াই হায়না থাজবা য়াবা মফমশিংদা অথিংবগী থৌরাংশিং মতিক চানা থমদনা লোকদাওন থুগায়বগী থৌওংশিং চথহনবা তারবদি মদুনা কিনিংঙাই ওইবা অরুবা ফিভম অমা লাকহনগনি হায়না পনবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপা হায়বসি দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মীওইশিং অমদি লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অনীমক্কী ওইনা লাইবক থিবা ফিভম অমা ওইগনি। মফম কয়াদা লোকদাওন থুগায়বগী থৌওংশিং লাকশিন্নবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা ইন্টর-মিনিষ্টরিএল সেন্ট্রেল টিম ৬ শেমখ্রবনি।

# মেদিকেল আইটেমশিংদা জি এস টি লৌদনবা তকশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংনবদা শীজিন্নবা মেদিকেল ইক্বিপমেন্টতা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) লৌদনবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোংগ্রেস লিদর রাহুল গান্ধিনা দিমান্দ তৌখ্রে।


শাথিরবা লায়না-লাইচৎকী লুরবা মতম অসিদা ঐখোয়না কোভিদ-১৯ থেংনবদা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা ইক্বিপমেন্টশিং অমসুং অতৈ তঙাইফদবা আইটেমশিং জি এস টি ফ্রী ওইহন্নবা দিমান্দ তৌরি। লায়না অমসুং লৈত লায়রনা মরম ওইদুনা অৱাবা নংদুনা লৈরবা মীয়াম্না শীজিন্নবা সাপোন, সেনিটাইজর, মাস্ক অমসুং গ্লোভশিংদা জি এস টি চার্জ তৌরিবসি অরানবা থৌওংনি হায়না রাহুল গান্ধিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা হায়রি মদুদি, হৌজিক হেন্দ সেনিটাইজরশিংদা জি এস টি চাদা ১৮ লৌবগা লোয়ননা ফেস মাস্কশিংদনা চাদা ৫ অমদি পেরাসেতামোল টেব্লেটশিং, পি পি ঈ কিটশিং, ভেন্টিলেটরশিংদনা চাদা ১২ লৌরি।

টেক্স অসিনা পুখোকশিং অসিবু হোস্পিটালশিং অমদি মীয়াম্না শীজিন্নবদা শেল হেন্না তিংহল্লি। মসিনা নোংমগী চরা অনী তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইদুনা লৈরবা মীয়ামদা অহেনবা পোৎলুম অমা পীরি। মরম অদুনা গভর্নমেন্টনা পোথোকশিং অসিদা জি এস টি লৌদবগা লোয়ননা মখোয়বু মীয়াম্না শেল ইতিং তিংদনা শীজিন্নবা য়াহনগদবনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, কোভিদ-১৯গী পান্দেমিক মরক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট খরা য়াওনা খন্দোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ইন্টর-মিনিষ্টরিয়ল সেন্ট্রেল টিম (আই এম সী টি)শিং থাবা য়াবগী ক্রাইটরিয়া খঙহল্লক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর আমিট শাহদা তকশিল্লদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা আই এম সী টি থাবগী ক্রাইটরিয়া খঙহল্লক্ত্রিফাওবা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপা তৌরোই।

# জমিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়াগী কেম্পসতা মপান্দগী মী চঙবা থিংখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি) :
দিল্লিনা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কী মরু ওইবা হোটস্পোটশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা জমিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়ানা গেষ্টশিং য়াওনা কেম্পসতা মপান্দগী মী চঙলকপদা অথিংবা থম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি এদমিনিষ্ট্রেসন্না কেম্পস অদুগী মনাক নক্না লৈরিবা মী তাবা কোলোনিশিংদা লৈরিবা মোস্ক খুদিংমক্তা ইমামশিং, মুয়েজিনশিং অমসুং ক্যেরটেক্করশিংদগী হেন্না লৈহন্দনবা হায়খ্রে।

য়ুনিভর্সিটি কেম্পসনা লৈরিবদু কন্টেনমেন্ট জোনশিং হায়না লাউথোকখ্রবা মফম খরগা নকশিন্নরকপদগী দিরেক্তিভশিং অসি থোকখিবনি।

কেম্পসকী সেফটি হেনগৎহন্নবগীদমক্তা শুপ্পগী গেট নম্বর ৪ অমসুং ১৩ দমক ওপরেস্নেল এগজিট/এন্ট্রি পোইন্টশিং ওইহল্লগনি। অতৈ গেটশিং অদুনা মখা তাবা ওর্দর থোক্ত্রিবফাওবা লোন্দুনা লৈগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

কোরোনাভাইরস পোজিটিভ কেস মশিং ইনৌ নৌনা হেনগৎলক্লিবসি য়েংদুনা অমসুং অকোয়বা মফমশিং কন্টেনমেন্ট জোনশিং হায়না লাউথোকখিবা অসিদগী সোসল দিষ্টেন্সিং নোর্মশিং ঙাকপা অমদি ফিভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা মোস্কশিংদা চৎপগী চৎনবী লেপ্পা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মী তাবা কোলোনিশিংদা লৈরিবা মোস্কশিং অসিদা ইমামশিং, ম্যুএজিনশিং অমসুং ক্যেরটেকরশিংদমক লৈহন্দুনা য়ারিবমখৈ মী মশিং য়াম্না লৈহল্লোইদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

দিরেক্তিভশিং অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অদুগী কেম্পসতা গেষ্টশিং য়াওনা মপানগী মীওই অমত্তা চঙবা য়াহন্দবগা লোয়ননা কেম্পস মনুংদা মী পুনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপদসু অথিংবা লৈরগনি। নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা নেসনল কেপিটেলদা কোভিদ-১৯গী এক্তিভ কেস মশিং ২,০০০ হেন্না লৈখিবগা লোয়ননা লায়না অসিদা শিখিবা মী মশিং ৪৫ য়ৌখ্রবনি।